মীয়াম্না টৌটি ঈশিং ফংদবদগী অৱাবা ওইরে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): হৌখিবা জুন থাদগী হৌজিক ফাওবা থা অমরোম মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নোংপোক থংবদা লৈরিবা খুনশিং থোংজু, ক্যামগৈ অমদি লংথবাল এরিয়ানচিংবদা টৌটি ঈশিং ফংদবদগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নরে।

হায়রিবা মফমশিং অসি কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লাইনা কোনবনি। করিগুম্বা মরম অমতা খংহল্লম্বা লৈতনা ঈশিং পিবা লেপখিবসি লমদম অশোমগী মীয়াম্না পেন্দবা কয়া ফোংদোরক্লি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরি লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চংবিনবা হায়রি।

গাড়ী হুরানবা ১ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমান্দোগী তিম অমনা লিলোং এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা মীওই অমা হাওরৈবী অৱাং লৈকায়দগী হুরানবা পোৎনি চিংনবা অল্টো কার (এম এন-০৭দি৪৫৫৬) অমগা অমুবা মচুগী রোয়েল ইনফিল্ড বুলেত অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা হাওরৈবী অৱাং লৈকায়গী তেরামখোং এল পি মদ্রশাগী মনাক্তা লৈবা এম দি সহিত অজাৎ (১৯), অপোকপা সহিদ হেসামুদ্দিন কৌই। মহাক লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে।

ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯-সেক্তর অসাম রাইফসলকী তুলিহল অমসুং মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

তুলিহল বট্টালিয়নগী নম্বোল কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা মাইবম চীংনিং ভিলেজদা ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ফেমিলি প্লান্নিং, জেন্দর ইক্বেলিটিনচিংবা হিরমশিংদা ৱা ঙাঙখি। তুংদা থৌরম অসিগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী লাই য়েকপা কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ননা শীল্লগা সগোলমাং কম্পেনি ওপরেটিং বেজ এরিয়াদসু ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ফেমিলি প্লান্নিংগী খ্বাইদগী নৌবা পোলিসীশিংগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহনখি হায়রি।

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE SERVICE
Booking Upto:08/07/2019
Valid From:30/06/2019
Stk : 612 (CTC)
Timing : 6.30am to 10.00am
CANCHI INDANE SERVICE
Booking Uptodate
14 Kg Stk : 306
5 & 19 Kg Available
Timing: 08.00am to 10.00am
(First Come First Serve)
IMPHAL LPG SERVICE
Booking Uptodate
14.2 Kg. Stk : 244
5&19kg Stk Available
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)
No Booking Required
Avail Online Booking,
Payment & Home Delivery
R & H, IRILBUNG
Booking Upto: 26/06/2019
Valid From: 13/06/2019
Stk : 612
Timing:08.00am to 11.00am
K & K INDANE SERVICE
Booking Uptodate
Stk : 306
Timing: 07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)
MAIBIA GAS, MOIRANG
SL. No. 0951 - 1900
Booking Upto: 20/06/2019
Valid From: 17/06/2019
Stk : 306
Timing:7.00am to 11.00am
RBD INDANE
Booking Upto: 27/06/2019
Valid From: 16/06/2019
Stk : 612 (Only CTC)
Timing:06.30am to 10.30am
(First Come First Serve)
MISAO GAS SERVICE
5 &19 Kg. Available
Booking Uptodate
14.2 Kg. Stk : 306
Timing:07.00am to 11.00am
(First Come First Serve)
YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto: 12/07/2019
Valid From:24/06/2019
Stk : 612
Timing:07.00am to 10.0 0am
HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto: 09/06/2019
Valid From:05/06/2019
Stk : 612
Timing:07.00am to 10.00am
KHUMBONG INDANE
Booking Upto: 21/06/2019
Valid From:16/06/2019
Stk : 612
Timing:07.30am to 10.30am

‘দিষ্ট্রিক্ট মরিদা হেক্তর ৫/৫ দা লৌহোন হুনখ্রে’

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট মরিদা হেক্তর ৫/৫ দা লৌহোন হুনবা হৌখ্রে। হেক্তর ৩০১ দা লৌহোন পীনবা থৌরাং তৌরি হায়না এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা লৌহোন হুনবগী থবক পায়খৎলিবা মফমশিং এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অমনা য়েংশিনবগা লোয়ননা লৌহোন হুনবসু হৌদোকখি। খুন্দ্রাকপম এ সীগী পাঙ্গৈ লৌকোল, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মাক্লুং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নাচৌদা লৌহোন হুনবগী থবক পায়খৎলিবশিং কোয়না চৎতুনা য়েংখি। খোঙচৎ অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ননা ফোঙদোকখিবদা, তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা হেক্তর ৫/৫ দা কম্যুনিটি নর্সরি শেম্বগী থবক পায়খৎলে। তম্ফা ফৌ অমদি আই আর-৬৪ গী ভেরাইটি অসি লৌহোন ওইনা পুথোক্লবা থাবা হৌবনি। অতেনবা মতমদা লোকপা য়াবা ফৌশিং থাবগী তঙাইফদবা লৈ। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ষ্টেটসিগী হেক্তর ৩০১ দা ফৌদি পীনবা পান্দম থল্লি। আই সী এ আর অমদি কে ভি কে থৌবালদসু পুন্না হেক্তর ২১ দা ফৌদি হুনবগী থবক চথখ্রে। ওগষ্টকী অহানবা চয়োল ফাওবদদি লৌহোনশিং অসি লৌফমদা লিংথোক্লবগী থৌরাং তৌগনি। নুমীৎ ১৩০ নিদা মপুং মরৈ ফাবা ফৌ মখলশিং অসি লৌহোন ওইনা হুনবনি। নুমীৎ ১৮/২০ গী মনুংদা লৌহোনশিং অসি থাবা য়ারগনি।

ঈশিং চিংবা য়াবা মফমশিংদা ৱাটর পম্প সেটশিং পীদুনা ঈশিং চিংবগী থবক চথুরি। হৌজিক ফাওবদা পম্প সেট ১২৬ য়েন্থোকখ্রে। ঈশিং চিংবা য়াবা মফমশিং থিদোক্তুনা লৌফমশিংদা ঈশিং থাজিন্নবা হোৎনরি। হৌজিক ষ্টেটসিদা লৈরিবা ফীভম অসিদা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকপা য়াবগী পেরামিটর অদু য়ৌদ্রি। থা অসিগী ৩০ ফাওবদা করি ফীভম লৈগদগে হায়বদু খরমখৈদি খঙলগনি। চৎলিবা চহী অসিদা য়ুরিয়া হারগী মীপাইনিংঙাই লৈতে। য়ুরিয়া ষ্টোক্তা মরাং কায়না লৈ। অদুবু য়ুরিয়া অসি অশেংবা লৌমীশিংদা ফংহন্নবগীদমক চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা য়েন্থোকপগী থবক চথবনি। পাট্টা অমদি আধার উৎলগা হার পীবগী থৌরাং অসি অদুম্মক চথুরি। য়ুরিয়া হার ষ্টোক্তা মরাং কায়না লৈবনা লৌমীশিংনা মীপাইনিংঙাই লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা এগ্রিকলচর কম্মিস্নার এম জয় অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯-সেক্তর অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা লিলোং চজিং ঙসি লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন য়ুনিটকী মেদিকেল ওফিসরগী মীৎয়েং মখাদা লৈবা মেদিকেল টিমনা শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা মেদিকেল কেম্প অদুদা মীওই কয়াবু অনা-লায়েংখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবশিংদা হিদাক-লাংথকশিংসু লেম্না পীখি। কেম্প অদুগা মরী লৈননা মোবাইল দেন্টেল ক্লিনিক অমসু হাংদোক্তুনা মফম অদুগী মীয়াম্না য়া লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনখি। তুংদা কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন য়ুনিটক মেদিকেল ওফিসরনা হেল্‌ঠ, হায়জিন এন্দ সেনিটেসন হায়বা হিরমদা ৱা ঙাঙখি।

ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : মালেমগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ঙসিগী ওইনা য়াম্না চাওবা ইস্যু অমা ওইরবা মীশীং হেনগৎলকপদগী থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদগী মতৌ করম্না কনসিগে অমদি ক্বালিটি ওইবা পুন্সি মহিং অমা হিঙনবা হোৎনবদা করি করম্বা মথৌ তাই হায়বগী মতাংদা ঙসি ইম্ফাল কোলেজগী ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টদা ৱর্ল্ড পোপুলেসন দেগা ইরোইননা প্রোগ্রাম অমা পাংথোকখ্রে।

থৌরম হৌদোকপগী ৱাঙাংলোয় ওইনা দিপার্টপামেন্ট অসিমক্কী এসোসিয়েট প্রোফেসার সলাম নোরেন্না হায়, মীশীং য়ামখৎলকপদগী থেংনরিবা অৱাবশিং লৈবাক অয়াম্বনা খঙনরবসু, কুমজা ১৯৮৭ দা মালেমগী ওইনা মীশীং অসি বিলিয়ন ৫ শুরে হেক খঙনরকপদগী পোপ্যুলেসন কন্ট্রোল তৌনবগী লৈনরম্বা ৱাখলোন অদু য়াম্না লুম্না লৌনরক্তুনা কুমজা ১৯৮৯দগী মালেমগী ওইনা মীশীং হন্থহনবগী পান্দমদা ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দে পাংথোকপা হৌরকখি। অদুবু অশুক কুইরবা ফাওবদা ঙসিসু মালেমগী লৈবাক খরখক নত্তনা অয়াম্বা লৈবাকশিং মরুওইনা অফ্রিকা অমসুং এসিয়াগী লৈবাকশিংদা পোপুলেসন কন্ট্রোল তৌবা ঙমনদ্রি। মহাক্না মখা তারদুনা পোপ্যুলেসন হন্থহন্দুনা মীওই পুন্নমক্কী পুন্সি মহিঙ অসি ক্বালিটি ওইবা মহিঙ অমদা পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় পুন্নমক্কীসু চাওরবা থোদাং লৈ হায়খি।

থৌরম অদুগী মরুওইবা ৱাঙাংলোয় অমা ওইনা শরুক য়াখিবা এসিষ্টটেন্ট প্রোফেসার, দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটিষ্টিক্স, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী ডা. নাওরেম শরতনা হায়, মীশীং হেনগৎলকপনা মালেমদা চাওরবা চৈথেং কয়া পীবদা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা প্রোব্লেম কয়া অমসু থোকহল্লি। ঙসি ঐখোয়না ৱাখল তাম্মীন্নহৌদ্রবদি মালেমদা লৈরিবা তাইবং মীওইবা খক্তা নত্তনা মালেম অসিদা হিঙমিন্নরিবা অতৈ থৱায় পানবশিংগা লোয়ননা অৱাবা কয়া থেংনরক্কনি। থৌরম অদুগী মরুওইবা ফমবাক্কী লৈতেং ওইখিবা ডা. এম. প্রিওব্রত্র সিংহ, প্রিন্সিপাল, ইম্ফাল কোলেজ অমদি ৱাঙাংলোয় থোকচোম অশোককুমার মৈতৈনা ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগা মরি লৈননা মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা অমদি মণিপুরদা হৌজিক মীশীং হেনগৎলকপনা থেংনরিবা অৱাবশিং অমদি মসিদগী করম্বা পান্থৈনা অৱাবাশিং অসিদগী কনবা ঙমগদগে হায়বনচিংবগী মতাংদা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় অমদি মীয়ামদা ৱাফম কয়া থমখি।

শীজিন্নদ্রবা বিলাতিমাতি বোরাবু...

লামায় ১গী মখা... অমসুং মোবাইল হাপ্নবা বেগ, মনি বেগ মিদিয়ম, অচৌবা ৱাল হেঙ্গিং, অকে অমৌগী পোৎলমশিং, ফাইল হাপ্নবা কোভর, লৈ নাচোম মখল-মখল নচিংবা শাবদা নত্তনা টেবলদা থম্নবা গল্লাগী মওংদা শেম্বা খুৎশেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈশিং শারগা পুথোক্লি। মহাক্না শেম শাদুনা পুথোক্লিবা পোৎলমশিং অসি রিসাইক্লিংগী পোৎশিংনা অয়াম্বা শেম শাবনি। য়োংখমগী ফি শাবদা অরোইবগী ইয়োংদা লেমহৌবা লংশিং খোমদুনা মহাক্না লৈনচিংবা শারগা পুনবদা শিজিন্নৈ।

মসিদা নত্তনা মহাক্না ষ্টেন্দ ফেনগী মখোক্তা উফুল-ৱাইফুল চঙদনবা শামতু অমদি লংনা লোল্লগা কোভরনচিংবসু য়াম্না শারি। য়ুমথোং খুদিংগী মীয়াম্না চেকশিন্না থম্নরিবা চেঙফুগী মখুম কূপ্নবা কোভরনচিংবসু শারি। লোয়ননা ৱাটর ফিলটরগী মথক কুপ্লিবা পাত্র অদুগী কোভরনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মচুগী শেম-শাদুনা পুথোক্লি। নিংথম থাগী মতমদনা খুৎ মোজা, জর্শি, হায়নেক, টুপী নচিংবা মতম-মতমগী মীয়াম্না পাম্নবা পোৎলমশিং খুৎনা চেকশিন্না লোন্দুনা পুথোক্লি।

য়ুমগী মৌশিংনা লুহোংবা চৎপদা অমদি অহলশিংনা লম কোয়বা চৎপা মতমদা শেল হাপ্নবা তোঙান-তোঙানবা মচুগী শামতুনা লোনবা শেঙ্গাওনচিংবসু নিংথিনা শেম-শাদুনা পুথোক্লি। নুপীশিংনা কৈথেন্দা পোৎ লৈবা চৎপা মতমদা মরী পানবা বেগ অসি মীয়াম্না পাম্না শীজিন্নরি। মরী পানবা বেগ মখল অহুমগী মনুংদা খরা পীকপা, ময়াই ওইনা চাওবা অমদি খরা হেন্না চাওবা অমা য়াওরি। মরী পানবা বেগ (খাউ) অসিগী মনুংদা কনাগুম্বশিংনা পোৎ-চৈ কেজি ৫/৬ ফাওবা হাপ্পা য়াই।

মহাক্কি ৱাখল্লোনদি লমদম অসিদা লৈঙাক্লসু অথিংবা থমখ্রবা প্লষ্টিক বেগ শিজিন্নবগী মহুত্তা খরা ক্বালিটি লৈবা পোল্যুসনসু থোকলোইদবা খাউ মখল অসিনা মহুৎশিন্নবা হোৎনবনি। মহাক্না হৈজরিবা লোন-খোৎপা, ফি শাবা, বেগ শাবা অমদি মোন্তেক শাবগী মতাংদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎলগা ট্রেনিংনচিংবা পীবসু লৈখ্রে হায়রি। মরু ওইনা দোমেষ্টিক ভাইয়লেন্সকী চৈথেং ফংলবশিং, ঐচ আই ভিগা শাগোন্নরিবা, সেক্স ৱার্কর অমদি হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংদা ট্রেনিং পীখ্রে।

মসিদা নত্তনা নেহরু য়ুব কেন্দ্রা থৌবাল, য়াইঙংপোকপি জানাক্কী, গ্বালতাবীনচিংবদসু চৎলগা মফম অদুগী নুপীশিংদা লোনবা-খোৎপগী ট্রেনিং পীখ্রে। মহাক্না হায়, মীপান তাংদনা হিংগে হায়রবদি, ইশানা-ইশাবু থবক পীজদুনা মানা-মানা হৈজবা শিনফম অদুদা পুক্নিং ৱাখল চপ য়ুংনা লেপ্তুনা অঙম-অঙম্বা থবক পায়দুনা পোথোক পুথোকপা য়াম্না মরু ওই।

মহাক হৌজিক থা অমদা লুপা ৭০০০/১০০০০ ফাওবদি তানবা ঙম্লে। মহাক্না হৈজরিবা শিনফম অসি থৱাই য়াওজবা মীওইশিংদা তম্বীরগা অরেম্বদা ফমদুনা অমদি কোয়বা চৎতুনা মতম মাংহনবগী মহুত্তা পোৎথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবরোমদা পূক্নিং চংহন্নিংই হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্লসু অসিগুম্বা মশানা-মশাবু থবক পীজবা মীওইশিংদা সবসিদি য়াওবা লোন মচা অমমম পীরগদি থবক শুফম-নোমফম খংদনা লৈরিবা নুপীশিং পুন্সিল্লগা লৈকায়-লৈকায়দা থবক শুহনবা য়ুই। মীয়ামগী লুচিংবশিংনসু হিরমসিদা মীৎয়েং চংবীদুনা লমদম অসিগী মীওইশিংবু শেন্থোক লম্বী পীবীদুনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনহন্নিংই হায়রি।

লৈবাক অনীগী ওফিসলশিং য়াওবা...

লামায় ১গী মখা... রোম চঙশিল্লে হায়রকপদগী ঙসি জোইন্ট সর্ভে টিমনা য়েংশিনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা জি পি এস মেছিন শীজিন্নদুনা য়েংশিনবদা লম্বী শেম্বা থিংলক্লে হায়রিবা মফম অদু ম্যান্মাররোমদা হেঞ্জিল্লে হায়রিবা দি সীগী ৱারোল অদু য়াখি। তুংদা জোইন্ট সর্ভে টিম অদুনা বোর্দর পিল্লর ৮২ য়ুংলিবা মফম অদুসু য়েংশিনখি। জি পি এস মেছিন শীজিন্নদুনা য়েংবদা বোর্দর পিল্লর ৮২ য়ুংলিবা মফম অসি হোংদোকপা লৈতে হায়না ১২শুবা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী ভেরিফাই তৌখি।

অদুম্মকপু খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগীদি অসাম রাইফলসনা জি পি এসকী খূথাংদা ভেরিফাই তৌরে হায়রিবা বোর্দর পিল্লর য়ুংলিবা মফম অসি চুমদে হায়দুনা লৈরি। লোয়ননা বোর্দর পিল্লর ৮২ হান্না য়ুংলল্লে হায়রিবা মফম অদুদা জোইন্ট সর্ভে টিম অদুনা চঙশিন্দুনা য়েংলমদবগী মতাংদসু খুঞ্জাশিংনা পেন্নদ্রি।

হীরম অসিগী মতাংদা সতাং ভিলেজগী এক্স-চ্যেরমেন টি কে কোথিলনা ফোঙদোকখিবদা, বোর্দর পিল্লর ৮২ হান্না য়ুংলম্মী হায়রিবা মফম অসিদা জেইন্ট সর্ভে টিমনা য়েংশিনবা চঙলমদবসি সতাং ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। চয়েৎনরিবা অসিগী মতাংদা খুঞ্জাশিংগী থম্মোয়দা চৈনা অমদি অদুম ফাওদুনা লৈহৌরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

রেখা মীহাৎ : লৈখিদ্রবীগী সনাগী...

লামায় ১গী মখা... চীনহায় ওইনা খঙহল্লবা মতুং অইবা রিপোর্ট অমা পীদুনা ৱাকৎখিবনি। ৱাকৎ চেরোল অদু পুলিসনা ‘ওফিসল ইজাহার’ (ও ঈ) ওইনা লৌরগা থৌদোক্তুগী মতাংদা এফ আই আর নম্বর-৯৪(৫) ২০১৯ অন্দর সেক্সন- ৩০২/১২০ (বি)/৩৪/২০১ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা কেস অমা লৌখৎখিবনি।

থৌদোক্তুগী মতাংদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অসি অহানবদা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী সব-ইন্সপেক্টর অমনা ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর (আই ও) ওইদুনা থিজিনবা হৌরম্লগা পি এস অসিগী সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও)না আই ও ওইরকপগা লোয়ননা আই ও অনী অসিগা ওফিসর-ইন-চার্জ (ও সী)গা পূন্না য়াওবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা অখন্ননা শেমদুনা থিজিল্লক্লিবনি। অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবীগী ঙক অমসুং খূৎতা শীবা সনাগী লিক্কা খূদোপ অমগদি মহাক্কী হকচাং থেংনরকখিবদা য়াওরমখিদে হায়রগসু ঙসি ফাওবদা ফংবা ঙমদ্রিবনি।

অমরোমদা নুমীৎতুগী থৌদোক্তু থোকখ্রবা মতুংদা ইমুংদা থম্বা গোদ্রেজগী ছোসু থিবা খঙদ্রে হায়দুনা লৈরক্লগা জুন ২ দা য়োৎকী মিষ্ট্রিশিং নেক্তুনা পুলিসকী মমাংদা থুগাইদুনা হাংদোক্লুবদা লুপা লাখ মরিরোমগী শেনফমসু য়াওরমখিদবনি হায়রি।

থৌদোকসিগী মতাংদসু শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা মমাং থাগী ১৭ তা অইবা রিপোর্ট অমা পীশিন্দুনা ৱাকৎখি। কমপ্লেন্ট অসিগী মতুং-ইন্না পুলিসনসু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৩৮০গী মখাদা এফ আই আর নম্বর- ১০৭ (৬) ২০১৯ রেজিষ্টর তৌদুনা কেস অমা লৌখৎখিবনি। অদুম ওইনমক মাঙখ্রে হায়দুনা ৱাকৎলিবা শেনফমশিং অসিসু হৌজিক ফাওবা রিকোভর তৌদ্রিবনি। লৈখিদ্রবীগী মচানুপী অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা মাঙখ্রিবা শেনফমশিং অসিবু হাপখিবা শেঙ্গাউ অসি কনাগুম্বনা থেংনবিরবদি টেলিফোন (মোবাইল) নম্বর ৬৯০৯৬৮৬২৮০ দা পাউ পীবীরকপদা মনা পীগনি হায়রি।

মৈপাগী অহানবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): মৈপা দান্স ষ্টুদিও এন্দ ফিটনেস জিমসগী অহানবা ফাউন্দেসনগী থৌরম অমা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অরুন ইন্টরপ্রাইজেস চিংমৈরোংগী মেনেজিং দিরেক্তর থাংজম অরুনকুমার, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেরমেন শমজেৎশাবম মঙ্গোলজাও, সি ই ও মিরাকল এফ আই আর দি প্রাইভেট লিমিটেদকী হেরোজিৎ ঙাংবম, মৈপা কম্পনিগী চ্যেরমেন মহেস (মহেসোর) থৌনাওজমনা মথংশিৎনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা মৈপাগী অহানবা ফাউন্দেসন দে অদুগা মরি লৈননা মৈপা ফূন্দ হায়বা অমা লোঞ্চ তৌখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা সি ই ও মিরাকল এফ এস আর দি প্রাইভেট লিমিটেদকী হেরোজিৎ ঙাংবমনা ফোঙদোকখিবদা, মৈপা দান্স ষ্টুদিও এন্দ ফিটনেস জিম অমদি মৈপা ফূন্দ অসি মতম শাংনা হাংদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ওইরসনু হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা শমজেৎশাবম মঙ্গোলজাওনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি মীহাৎ-মীপুনগী ইরাংনা থন্না লৈবনা মীয়াম্না ঙাইহাক পোথাবা য়াবা মফম লৈতে, অদুবু নৌনা হাংলক্লিবা রেষ্টুরেন্ট অসিদদি ঙাইহাক পোথাবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

লোয়ননা মণিপুরগী জগোই-ঈশৈ তৌনিংবা মহৈরোয়শিংনা মপান লমদা অনৌবা মতমগী জগোই তম্বা চৎপদা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অদু মৈপাগী দান্স ষ্টুদিওদা তম্লগদি শেল চৎপগী চাং হন্থগনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু মপান লমদা চৎত্রগসু মৈপাদা অমপাগী ষ্টুদিওদা লাক্তুনা জগোই-ঈশৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

মমাংঙৈদা লমদম অসিদা জিম শান্নবসি কয়া লৈরমদে অদুবু হৌজিক্তি হকচাং ফনা থম্নবা হোৎনবা য়াম্না মথৌ তারে হায়রি।

পেস্লিপ পীরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) মণিপুর লৈঙাক্কী এ আই এস/গেজেটেদ ওফিসরশিংগী এন্যুয়ল ইনক্রিমেন্ট পেস্লিপ জুলাই ১৫ দগী পীরগনি। ওফিস পুন্নমক্কী মকোকশিংনা মীহুৎ অমা থারগা নুমিৎ খুদিংগী ওফিস মতমদা একাউন্টন্ট জেনরেলগী ওফিসতগী পেস্লিপ লৌরবা য়াগনি হায়না সিনিয়র একাউন্টস ওফিসর পি ঐচ জুগিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা কেস লৌখৎত্রিবা করিগীনো...

লামায় ১গী মখা... অসিবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী পিটিসন অদুগী নম্বর দব্লিয়ু পি (সী)-১৫১ ওফ ২০১৯ নি। কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শীনবা মকোক থোংবা ওফিসল অমা অমসুং অতোপ্পা মরী লৈনবা ওফিসল মরি পুন্না ওফিসল ৫ বু রেস্পোন্দেন্ট ওইনা কেসকী পার্টি শেল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি।

কেস অসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা কোর্ট অসিগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-৩০ (এদমিসন ষ্টেজ)দা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখ্রে। পিটিসনর ওইরিবা লেফটনেন্ট কর্নেল ধরমবিরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মহাক্কী ‘এম’ সেক্তরগী কম্পাউন্দদগী য়াল্লবা খুৎশু-খুৎলায়শিং রিকোভর তৌখি হায়বগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌহনবীয়ু। থৌদোক অদু কোগনাইজেবল ওফেন্স ওইবগী মথক্তা আর্মস এক্টকী মখাদা কেস লৌখৎফম থোকপা থৌদোকনি। মরম অদুনা থৌদোক অদু কোর্টনা মোনিটর তৌবা ইন্দিপেন্দেন্ট স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা ফাওবা শেমদুনা থিগৎহনবীয়ু হায়বসিনি।

মহাক্না কোর্টতা মখা তানা ৱাকৎখিবদা হৌখিবা মার্চতা মহাক্কী মথক্তা পাঙথোকখিবা সম্মরি ওফ এভিদেন্স অদুগী ক্রোস এগজামিনেসন্দা খুৎশু-খুৎলায়শিং ফাগৎখি হায়রিবা লেফটনেন্ট কর্নেল আর পি নন্দবু ক্রোস এগজামিনেসন তৌবা মতমদা ইম্ফালগী ‘এম’ সেক্তরদগী ফাগৎখি হায়রিবা য়াল্লবা খুৎশু-খুৎলায়শিং অদুগী রেকোর্দ ওইরিবা ওফিসল দোক্যুমেন্টশিং পুন্নমক মেজর বি এস রাথোর কৌবা আর্মিগী ওফিসর অমনা মাঙহনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা কেস অসি লৌখৎলকপদা মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা সুপ্রীম কোর্টকী কাউন্সেল শ্রীজি ভাবসরনা ফোঙদোকখিবদা, লেফটনেন্ট আর পি নন্দগী ৱাফমশিং অসি লেফটনেন্ট কর্নেল ধরমবিরবু ভিক্টিমাইজ তৌনবা হোৎনরকপা থৌওংনি। মরমদি পিটিসনর অসিনা মহাক্কী য়ুনিটতা লৈমিন্নরিবা আর্মি ওফিসরশিংনা মার্দর, দেকোইটি অমসুং এক্সটোর্সননচিংবা থবকশিং চথুখি হায়না হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ৯ দা মহাক্কী কম্মান্দিং ওফিসরদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা খঙহনখিবা লৈখি। চেরোল অদুদা আর্মি ওফিসরশিংনা মহৈরোয় টি ঐচ সটিস অমসুং অতোপ্পা মণিপুরী মচা মরি এক্সত্রা জুদিসল ওইবা মওংদা হাৎতোকখি অমসুং অসামগী জোর্হাটতা থোকখিবা রোভরিগী থৌদোক্তসু চেন্নৈ হায়দুনা ফোঙদোকখিবা লৈখি হায়রি।

কাউন্সেলগী মায়কৈদগী কোর্টতা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়াল্লবা ইলিগেল ওইবা খুৎশু-খুৎলায়শিং ফাগৎখি হায়রগা ঙসি ফাওবদা আর্মিনা পুলিসতা রিপোর্ট তৌদ্রিবা করিগীনো, থৌদোক অদুগী মতাংদা থ্রী কোরগী ওফিসরশিংনা হায় কোর্টতা খঙহল্লক্ত্রিবা করিগীনো, পিটিসনর লেফটনেন্ট কর্নেল ধরমবিরবু ফাদুনা পুরুবদগী মহাক্কী লোয়নবীনা কোর্ট অসিদা হেভিয়স কোর্পস পিটিসন অমা ফাইল তৌরবা মতুংদা মহাকপু কোর্টতা পুথোরকখিবা মতম অদুদা আর্মিগী মায়কৈদগী তুমীন্না লৈরিবা করিগীনো অমসুং খুৎশু-খুৎলায়শিং ফাগৎখি হায়বদুগা মরী লৈননা ঙসি ফাওবদা পিটিসনর অসি ফাদ্রিবা করিগীনো। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা মণিপুর পুলিসনা হৌজিক ফাওবদা কেস লৌখৎত্রিবা করিগীনো হায়বা আর্গ্যুমেন্টশিং সবমিসন তৌখি।

কোর্টনা পিটিসনরগী মায়কৈদগী সবমিসন তৌরকখিবা ৱাফমশিং তারবা মতুংদা পিটিসন অসিগী মেন্টেনেবিলিটিগী মতাংদা মখা তাবা হিয়রিং মথং থাগী ২৮ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখি।

পনবা য়াবদি, লেফটনেন্ট কর্নেল ধরমবিরগী মায়োক্তা আর্মি ওথোরিটিনা সম্মরি ওফ এভিদেন্সকী প্রোসিদিং চথুরকপগী মায়োক্তা মহাক্না কোর্ট অসিদা চেলেঞ্জ তৌরকখিবা লৈখ্রে। কোর্টকী মায়কৈদগীসু আর্মি ওথোরিটিগী প্রোসিদিং অদু চথুদনবা ষ্টে তৌখিবনি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা কোর্টকী ষ্টে ওর্দর অদু সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা চেলেঞ্জ তৌরকপদগী লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিনা আর্মিগী দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিংদা হায় কোর্টনা খুৎ থিংজিল্লোইদবনি হায়রদুনা ষ্টে ওর্দর অদু ভেকেট তৌখিবা লৈখ্রবনি।

খুরাই এ সিগী মাঙখিবা চেঙ ফংলগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): খুরাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী রমসাগী চেঙ থা তরুক্কী কোটা ফংদদুনা ৱাথোক ওইদুনা লৈরম্বদুগী মতাংদা ঙসি এসেম্বলী কষ্টিট্যুএন্সি অসিগী এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো এলিয়স য়াইমা অমদি এ সি অসিগী মীয়ামগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লায় ওফিসর (দি এস ও) অমদি সিবিল সপ্লাই ওফিসার (সী পি ও) য়াওনা ৱারি শানখ্রে।

খুরাই এসেম্বলী কষ্টিট্যুএন্সিগী থা তরুক্কী চেঙ ফংদনা লৈরম্বদু ন্য চেক্কোনদগী ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তর এল হেমন্তা কৌবা অমনা শেল দিপোজিত তৌদবদগী মানা চিংথোকখিবনি হায়না ফোংদোকখিবা অদুগী মতুংদা এম এল এনা ঙরাং হেমন্তা থিরগা শেল পিনবা হোৎনরুবনি অদুবু মহাক থিবা ফংখিদে। নফসাগী এক্টকী মতুং ইন্না থিগৎলুবগী মতুং ইন্নদি চেঙ পিগদবা ইম্ফাল ইষ্টকী দি এস ও অমদি সিবিল সপ্লাই ওফিসরদা শেল দিপোজিৎ তৌরগা পীগদবা ওইবনা ঙসি থা মঙাগী শেল দিপোজিৎ তৌখ্রে। হয়েংদগীদি মীয়ামগী চেঙ ফংলগনি হায়না এম এল এনা ফোঙদোকখ্রে।

চেকশিন থৌরাং...

লামায় ১গী মখা... চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদ থোরকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অৱাং-নোংপোক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা কা হেন্না কনবা মওংদা নোং চুখিবগা লোয়ননা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১১ দা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবনি। কামরুপ, গোলাঘাট অমসুং ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টতা লেন্দস্লাইদ থোকপদা মীওই অহুম শিখিবগা লোয়ননা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১১ দা মীওই ২,০৭,০৯৮ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি।

নোংজু পন্থা থেংনা য়ৌরক্লবসু হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অসাম, মেঘালয়া অমসুং অরুনাচল প্রদেশ য়াওনা অৱাং-নোংপোক্কী মফম কয়াদা নোং কন্না চুখি। মেঘালয়াগী চেরাপুঞ্জিদা মিলিমিটর ৩৭০গী চাংদা নোং চুখি। জুলাই ১৩ নৎত্রগা ১৪ ফাওবা মণিপুর য়াওনা অৱাং-নোংপোক্কী মফম অয়াম্বদা অকনবা মওংদা নোং চুরবা য়াই। মদুনা মরম ওইরগা মফম খরদা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপগা লোয়ননা লেন্দস্লাইদ থোকপা য়ানা লৈ হায়না আই এম দিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

সী এমনা অৱাবা...

লামায় ১গী মখা... নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মরম লৈতনা মরাল লৈজদবা মীওইদা মতৌ অসুম্না তমথিবা থৌওং চথুরকপবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা মখলগী তমথিবা ক্রাইমশিং খুন্নাইদা চন্নফম লৈতে। মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফানবা হোৎনগনি। অৱাবা তারবা মতম অসিদা হেংজাংগী খুঞ্জাশিংনা ঈং-তপনা লৈবিনবা আপিল তৌরি।

লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং অমসুং হেংজাংগী খুঞ্জাশিংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা পোথারুবা ওইরসনু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

স্পিকরনা এম এল এ বিরেনগী...

লামায় ১গী মখা... চথুখিবা প্রোসিদিংদা পিটিসন অসিগা মরী লৈননা পাউখুম অইবা ওইরবসু ট্রাইব্যুনেল অসিদা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা এম এল এ বিরেন মশামক নৎত্রগা মহাক্কী মহুৎ শিনবা ওথোরাইজ তৌরবা প্লিদর অমা ট্রাইব্যুনেল অসিদা লাক্লবসু খঙহনখি। দিসক্বালিফিকেসন কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং থা অসিগী ২৭ কী অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী চথবা হৌরগনি হায়রি।

ঙরাংগী প্রোসিদিং অসিগী কোপী অমা হৌজিক মেজোর খুলগী ক্বার্টর নম্বর থ্রী টাইপ ৭ তা লৈরিবা এম এল এ বিরেন, অপোকপা লৈখিদ্রবা কে এস ঐচ পিশক, সবুংখোককী মফমদসু পীখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, লম্লাই এ সীদগী কারকখিবা এম এল এ অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিগী মপুং ওইবা মপাং ওইরিবা বি জে পিদা য়াওরে হায়বগী ৱাফম লৈখ্রবনি।

মনোরমা মীহাৎকী চহী ১৫ মপুং...

লামায় ১গী মখা... কন্দেম তৌনখি। মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ৩৬ পুন্দুনা ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপকী মখাদা অকনবা ঈহৌ কয়া চথুখি। মীয়ামগী ঈহৌশিং অদুদা মনোরমা মীহাৎতা চেন্নবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল চৈরাক পীনবা অমদি অফস্পা লৌথোকখিনবা দিমান্দ কয়া তানখি। খোঙজংশিং লেপ্তুনা চঙশিনখি। হৌজিক ফাওবা দিমান্দশিং অসি লেপ্তুনা তাল্লিবনি। ইমাশিংনা ফি থোংদনা প্রোটেষ্ট ফাওবা চথুখি। অফস্পাগী মরুমদা আর্মিনা ওৎ-নৈবা কয়াবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চিত্তরঞ্জনসু থৱায় থাখ্রবনি। ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপনা দিমান্দশিং অসি ফংনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। ফংদ্রিবফাওবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অপূনবা লূপকী কোওর্দিনেটর য়ুম্নাম রতনকুমার, জয় চিংঙাখম, এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, মনোরমা মেমোরিয়ল চেরিটেবল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট সেঙ্গাই লুৱাং, অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শখি, পোইরৈ লৈমরোল অপূনবা মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এম মেমচৌবী, কংলৈপাক লমজিং অপূনবা মৈরা লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিকলৈমা অমদি চীং-তম য়ুনাইটেদ ৱিমেন এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমনা ময়াই তাংবল লৌখি।

কম্পেন্সেসন পীবা হায়বসিসু জষ্টিস...

লামায় ১গী মখা... চৈরাক ফংলিবা মীদুগী অৱাবসি মীকুপ খরখক্তুনি। মসিগী মতুংদা অৱাবা পুম্বা কোকখ্রগনি। লাইফ ইম্প্রিজনমেন্ট ওইরবদি পুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা ৱানা লেনগদৌরিবনি। অচুম্বা হায়বসি লাক্লবা হোৎনবদা মণিপুরগী পোলিটিকেল সিষ্টেম চুমথোকপা চঙই। পোলিটিকেল সিষ্টেম চুমথোকপা হায়বসিদা ইলেক্সন রিফোর্ম তৌগদবনি। মীয়ামগী অপান্বা ময়েক শেংনা খঙলবা মতমদা জষ্টিস পুরকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এক্সত্রা জুদিসল এক্সিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলিজ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট রেনুবালা তখেল্লম্বমনা হায়খি, চহী ১০ ফারক্লবা ফাওবদা ভিক্টিমশিংগী ইমুং-মনুংদা জষ্টিস ফংহনবা ঙমদ্রি। কুমজা ২০১২ দগী হোৎনরকপনি, সী বি আইদা শিন্নরগা ইনভেষ্টিগেসনদি চথুরি। অদুনা পুন্না লেপমিন্নবা চঙই, লেপ্তুনসু লাক্লি। ফাকাপতা হাৎপগী থৌদোক ঈভফমনা খোঙজং চঙশিল্লকপদগীদি চাং য়াম্না হন্থরে হায়না খল্লি। জষ্টিস ফংনবা হোৎনখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদভোকেট এম ইবোহলনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। পেনেল দিস্কসনদা মোদরেটর ওইখিবা হুমেন রাইটস এলর্টকী দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনা হায়খি, ঐখোয়না কোর্টতা থেংনবদু খক্লা মরুওইবা নত্তে, পুন্সিদা থেংনরিবশিং অসিসু মরুওই। থেংনরিবা কয়াদুগী মতাংদা খন্নদবা য়াদবা কয়া লৈরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী এস এস ঈ আই পি এম য়ুগী দিরেক্টর প্রোফেসর অমর য়ুম্নাম, অমজুগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবম, ঈভফমগী কাউন্সেল এন সুভাসচন্দ্র অমসুং ৱিমেন হুমেন রাইটস দিফেন্দর অরম পামৈসু ৱা ঙাঙখি।

ENROLL TODAY Most Trusted Institute Since 2001... ENROLL TODAY

GLOBAL SPOKEN ENGLISH

DOT COM COMPUTER

FEATURES:
GRAMMAR
SPEAKING PRACTICE
SMART CLASS
VOCABULARY
PRONUNCIATION
PERSONALITY DEVELOPMENT
INTERVIEW SKILLS
CAREER COUNSELLING ETC...

SPECIAL OFFER FOR
SUMMER VACATION
SPOKEN ENGLISH COURSE + 1 MONTH COMPUTER BASIC COURSE FREE

CLASS TIMING
ENGLISH: 5:30AM, 7:30AM, 11:00AM, 3:30PM
COMPUTER: 6:00AM, 9:00AM, 12:30PM, 3:30PM, 7:30AM, 11:00AM, 2:00PM

Special Class for 1 or 2 Persons

COURSES:
BASIC, CCA, CCC
DCA, DTP, CCP
TALLY, MULTIMEDIA
OFFICE AUTOMATION
INTERNET ETC...

INSTRUCTOR:- SIR BITAM #
9077222273/7005214205/9089645181/8413946225

VENUE : GOURAHARI MARKET ,PAONA BAZAR ,NEAR SBI ATM BOOTH

HL-B/5526/2-30Aug(alt.)